ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯳꯱, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, ওগষ্ট ৩১, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৫২ শুবা মশীং

# চুড়াচান্দপুরগী জে এ সী

## *অশিবা হকচাং মন্তিক্লবগী মরম নাখে শেংলক্লে*

***মণিপুর*** লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা ষ্টেট অসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা বিল অহুম হৌখিবা চহী ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩১ দা পাস তৌখি। হাউসকী মেম্বরশিংনা য়েৎনবা অমত্তা য়াওদনা পাস তৌখিবা বিল অহুম অদুদি দ প্রোটেক্সন ওফ মণিপুর পিপলস বিল ২০১৫, দ মণিপুর লেন্দ রেভিন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্মস (সেবেন্থ এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৫ অমসুং দ মণিপুর শোপস এন্দ ইষ্টাব্লিসমেন্ট (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৫ এক্টনি। বিল অহুম পাস তৌখিবদু ট্রাইবেলশিংগী মায়োক্তনি, ট্রাইবেলশিংগী ইন্টরেষ্ট শোকই হায়না কনাগুম্বা খরনা ৱাখলনা শাগৎলগা নুমিৎতুমক্কী নুমিদাংদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা অচৌবা ঈরাং থোকখি। মশিং য়াম্লবা মীয়াম হৌরক্তুনা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংগী ময়ুম মৈ থাগৎলকখি, পুলিস ষ্টেসনদা এটেক তৌরকখি। ঈরাং অদু লাকশিন্নবা পুলিস অমসুং আসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই খরা পান্দুনা শিখি, খরনা মৈ চাকপদা চেন্থোকপা ঙমহৌদবদগী অমসুং এক্সিদেন্টতা শিখি। অসুম্না থৌদোক অদুগা মরী লৈননা শিখিবা মীগী মশিং মাপন য়ৌরকখি। ঈরাং অদু থোকখ্রবা তুংদা জে এ সী এগেনষ্ট দ এন্টি-ট্রাইবেল বিল হায়বা অমা থোরকখি। জে এ সী অদুগী লমজিং মখাদা খোঙজং চঙশিল্লকপা চহী ১ চপ চানা ফারক্লে। অদুবু অশিবা হকচাংশিং অদুদি ঙসি ফাওবা মখোয়না লৌ হায়বা য়াদনা লৈরি। জে এ সী অমসুং চুড়াচান্দপুরগী মীয়াম্না য়ানিংদে হায়খিবা বিল অহুম অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী মচং ওইবা দ প্রোটেক্সন ওফ মণিপুর পিপলস বিল ২০১৫ দি লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা ৱিঠহোল্ড তৌখ্রে। অতোপ্পা অনী অমনা য়েংশিল্লি হায়দুনা ফাজিল্লগা থমখ্রে। মীয়াম্না য়াদবা বিল অদু চৎনখিদ্রবনিনা শেমখিবা জে এ সী অদুগী পান্দমসু ফংলে হায়না লৌবা য়ারে। লৈঙাক্লসু ৱাফম অসিমক খঙহনবগা লোয়ননা কমদৌনা খুন্দা-লৈতাগদগে হায়বগী মতাংদা ৱারী শানসি হায়বদসু জে এ সীগী মেম্বরশিংনা উৎলৈ-পারৈ তৌদুনা লৈরে। মখোয়গী অসিগুম্বা থৌওং অসিনা হৌজিক্তি অনৌবা বিল অমা পুথোক্লগা হাউসতা পাস তৌবা অমসুং মসিবু এক্ট ওলহনবদা চনৈনবা ৱাফম লাকহল্লে। মরম অদুনা জে এ সীগী ৱাখল্লোন অসি করিনো হায়না মীয়াম্না নৈনবা মতম য়ৌরে।

মালেমগী মশক নাইবা কম্যুনিজমগী ঠিওরি পুথোকখিবা রেভল্যুস্নরি অমসু ওইখিবা ভ্লাদিমির লেনিনগী হকচাং হৌজিক ফাওবা মথৌ মঙম পাঙথোক্তনা চপ চানা অথৌবা অমগী উৎফম থোকপা ঈকায়খুম্নবা উত্তুনা থল্লি। ইন্দিয়াগী খা থংবা শরুক্তসু খৃষ্টান লাইনিংবা অমগী হকচাং হৌজিক ফাওবা প্রিজার্ব তৌরগা থল্লি। মসি নত্তবা অতৈ অশিবা হকচাংশিংদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীওই মাপনসি নত্তনা মোর্গতা লাৎলগা থমখিবা অমফাওবা লৈত্রি। চুড়াচান্দপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপশিং অসিগী মনুংদা খরনা কুকি ফুরুপকী মনুং চল্লি অদুগা অতোপ্পা খরনা মিজো কাঙলুপকী মনুং চল্লি। কাঙলুপ অনী অসিদা চন্দবা অপীক-অপীকপা ফুরুপ খরসু লৈ। চুড়াচান্দপুরদা থোকখিবা তমথিরবা ঈরাং অদুদা শরুক য়ারম্বা কুকি ইনপিনা মীয়ামদা মখোয় জে এ সী এগেনষ্ট দ এন্টি-ট্রাইবেল বিলগা পুনদ্রে হায়না লাউথোকখ্রে। জে এ সী চুড়াচান্দপুরনা হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মচিন-মনাও ওইবা ট্রাইবেল কাঙলুপশিংগী ওইবা ইন্টরেষ্টতা চঙশিল্লক্তবনা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা মখা তানা কুকি ইনপি মণিপুরনা শৌগৎলরোই হায়নসু ফোঙদোকখ্রে। মসিদসু নত্তনা মার ষ্টুদেন্টস এসোসিএন, চুড়াচান্দপুর অমসুং কে এস ও, চুড়াচান্দপুরনসু জে এ সী চুড়াচান্দপুরদগী তোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে। মরক অসিদা ঙরাং জে এ সী অসিনা শিন্দুনা চুড়াচান্দপুরগী মরু ওইবা মফমশিংদা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ-খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। ৱাকৎ-খোঙচৎ অদুদা মীয়ামগী ঈহৌ অসিগী ৱারোইশিন মণিপুরদগী তোখায় তারবা মতমদতা অরোইবা ৱারোইশিন ওইগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। হৌজিক্তি জে এ সী অসিগী পান্দম নাখে শেংলক্লে। মখোয়না মণিপুরদগী তোখায় তারগা চুড়াচান্দপুরগী শরুক খরা মিজোরামদা তিনবা পামই হায়বসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মীয়াম্না হায়নদুনা লাক্লবনি। মরম অদুনা মখোয়গী পান্দম অসি মণিপুর মীয়ামগী মায়োক্তনি হায়বসি য়াম্না নাখে শেংলে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুর থুগায়বা য়ারোই, মণিপুরগী ঙমখৈ মতম চূপ্পদা ঙাক্কনি হায়না ৱাশকখিবা কোংগ্রেস পার্টি অমসুং চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী লৈঙাক্লা জে এ সী অসিদা হৌজিক করম্বা মিৎয়েং য়েংলিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহনবা মতম য়ৌরে। মণিপুরগী লৈমায়দা মণিপুর থুগায়ননবা ৱারেপ লৌবা, ৱাকৎ-খোঙচৎ চৎপা য়াহনবসি দিমোক্রেসিনি হায়রবসু খজিক্তং তায়োন্নবদৌনা তৌই। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মিৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

# চীফ ইঞ্জিনিয়রগী খোঙথাং থাগৎনীংঙাই ওই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুর** লৈঙাক্কী খ্বাইদগী মরু ওইবা লোইশঙ অমা ওইরিবা ৱাটর সপ্লাই লোইশঙগী সেক্সন্না ইম্ফাল সিটিগী অমদি অর্বান এরিয়াদা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং পুং ২৪ চুপ্না মীচম মীয়ামদা ঈশিং সপ্লাই তৌনবগীদমক্তা এসিষ্টেন্ট ওপরেটর ১৪০ অমদি টেক্নিকেল জুগালি ৮০ কন্ত্রেক বেসিষ্টা লৌনবগীদমক্তা ওগষ্টকী তাং ২৪ দা নোটিফিকেসন থোরকপা হৌজিক হৌজিক ওইবিরিবা চীফ ইঞ্জিনিয়র অসি মথৌ মশক খঙবনি হায়জনীংই। হায়রিবা লোইশঙ অসিনা দিষ্ট্রিক্ট মাপনদা দিভিজন ১৮/১৯ খাইদোক্তুনা মণিপুর মীয়ামদা অফবা ঈশিং ফংহনবা অমদি তুংদসু ফংহন্নবগী পান্দমদা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। লাইবক থীবা থৌদোক্তা লৈখিদবা অমদি মতম্না পুরকপা সার্ভিসতগী পোথাখিবা ষ্টাফ মশীংনা য়াম্মনখিবা অমদি নৌনা অমুক হাপচিনদবনা ইম্ফাল সিটি অমদি অর্বান এরিয়াগী ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং মরাইবক থীরকপা য়াবগী অকিবা অসি উরকপদগী হৌজিক হৌজিক চীফ ইঞ্জিনিয়র ওইবীরিবনা মখা থাবা দি দি ওশিংগা কোয়না চৎতুনা চেক তৌরবা মতুংদা মীয়ামদা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা পান্দমদা অপীকপা খূৎশুমলদা এ ঈ ও অমদি টেক্নিকেল জুগালি হায়বা পোষ্ট অসি কন্ত্রেক্ট বেসিষ্টা হাপ্নবা হোৎনরকপনি হায়না ইরমদম মণিপুরবু নুংশিজবা অখঙ অহৈ, অহল-লমনশিংনা মত পীনরক্লি। হায়রিবা মথৌ তাবা পোষ্ট ২২০ অসি অথুবা মতমদা হাপচিনবা ঙল্লবদি ইম্ফাল সিটি অসিসু স্মার্ট সিটি ওইবদা খ্বাইদগী মতেং ওইগদ্রা হায়না মীয়ামনা খৌরাংনা ঙাইনরি। মসিনবু থবক ওইনা ওন্থোকপীরবদি টোটি পাইপকী অয়ুবা লৈররোই, অনওথোরাইজ মশীং মুখুৎপা ঙম্বগা লোয়ননা খাজনা চাউনা চাউনা তোল্লিবশিংসু খাজনা থিদোরক্তুনা লৈঙাক্তা ইনকম চাউনা লাক্লবগী লম্বী লৈগদ্রা হায়না মীয়াম্না থাজবা থম্নরক্লি।

হায়রিবা পোষ্ট ২২০ ৱাটর সপ্লাই লোইশঙনা কৌজরিবা অসিদা লমদমসিগী ইচিন ইনাও খ্বাই খিবিক্লা খূৎশুমল য়াম্বা য়ামদবা থিদনা ইন্টরভিয়ু অসিদা শরুক য়াবিদুনা মায় পাক্লবা হোৎনবীয়ু। হৌজিক পাল্লিবা চীফ ইঞ্জিনিয়রনা থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা মায়কৈ খুদিংদগী সপোর্ট তৌশিনবীয়ু, অয়েৎপা পীনগুমসি। হায়রিবা দি পি সি অসি হৌবা নুমিৎতগী লোইদ্রিবা ফাওবদি মখল অমত্তগী বন্দ, ব্লোকেদ অমদি জেনরেল ষ্ট্রাইক্ল চিংবা তৌবীদনবসু হন্না হন্না নোল্লুকচরি। লোয়ননা অসিগুম্বা ফজখ্রবা চীফ ইঞ্জিনিয়রগী অফবা খোঙথাং অসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ইথিলসু চঙহঞ্জনীংদে। ইশাগী খুদোংচাবা ফংনবা হোৎনবদা অপনবা, অয়েৎপা ওইহন্দুনা কুমজা ২০১৩ দা দি পি সি তৌখিবা পুলিস কন্সটেবল ২০০০ গী মরায়বক থিবগুম তাহনগুমসি। ৱাটর সপ্লাইগী চীফ ইঞ্জিনিয়রগী খোঙথাংদা থাগৎপীবগা লোয়ননা পূন্না মতেং পাঙশিনবীদুনা মপূং ফাবা দি পি সি পাঙথোক্তুনা অফবা ৱাটর সপ্লাই লোইশঙ অমা ওইহন্নবগীদমক খ্বাই খুদিংমক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী - চাৱাল খাইদেম, খুরাই সাজোর লৈকায়*
*ৱাটর কঞ্জুমর নম্বর ২৫/৩৫১৬*

# ঈপুদা ইজবা চেবাউ ২০১৬ - ৫

## চাইথোরকপা ৱাখল
## নরেন্দ্র নিঙোম্বা

*নুংশিজরবা ইপুখোই,*

ইপুখোই হৈনরিব্রা তৌরিসিবো? নশু ময়ামসিনা তৌরিসিসু অঙকপনি। মথায়-থায়না ইপুহোই মতমগী থৌগল্লোন গাইদু পূম্মাঙ মাঙখ্রবনি। মথক্কী অহলদনা করি হায়নি, করি কৌনি, মখা থাবদনা কমাই তৌনি, করি হায়না থৌদানি কৈমতা খঙনদ্রবনি। কনাগী মীঙ্গৌ থাগৌগসি লোয়না মথক-মখা ওল্লবনি। অফবদা হোংলকপা ওল্লকপদি কাইদেকো, থায়না লৈরক খুল্লক্তা ষণ গাড়ী চৎনরিঙৈ মতমদুগা হৌজিক্কী লম্বী ফৎত্রে হায়রিবা কোইলাস অকায়বসিগসু য়াম্না খেন্নরে। হৌজিক্লবু নুংঙাইরে হায় তাই ইপু। নশু ঐমক্লা ফাওবা অঙাং ওইরিঙৈদা লৈকায়দা গাড়ী জীপ অমগা লাকপদা অঙকপা অমা ওইনা মতুংদা কোয়ইন ইন্নদুনা উফুল হৌখ্রবা গাড়ী মতুং অদুদা জীপতগী থোরকপা মৈখুদু মনম নুংশি হায়না চেল্লগা নমলম্মীদো। হৌজিক্তদা খল্লুরগা নোক্লিংই। হৌজিক্তি গাড়ী ময়ামসিনা মীৎতা চঙদৌরে। নোংমগী নুমিৎ অমতা ত্রাফিক জাম থোক্তবা য়াওরক্ত্রে। অসুক্কী মতিক য়াম্মী। হোই অসিগুম্বা অথুবা অয়াংবরোমদা হোংলকপা অসিদি ফৈ। থায়না তুরেলদা হি হোন্দুনা পোৎ য়োনবা চৎনরম্বদুমক্তি ওইদ্রে। ত্রাফিক জাম হায়রগা ইপুহোইগী হন্দক্কী নুমিৎতুদা ইম্ফাল ময়োলগী অকোয়বদা তৌরিদু উবিরেদনা। ইপুহোইগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্ল বগীদমক, মপান কাংজৈবুংদা লৈরিবা সহিদ মিনর হায়ব্রা কৈনো মথক্তা নোংশা মকোক পানবা য়ূম্বীদুগী মখোঙদা থৌরম পাঙথোকইদনা। মদুদা ইস খুদক্তা লম্বী থোক থিংজিলক্তনা মী পূম্নমকসি অমুক্তোইবা হা-কার লাউনখ্রেদনা। গাড়ী অমতা চৎপা য়াদনা। কনাগী ৱাহেং লৈকায়, নাগামপান, কৈশাম্পাৎ, খুয়াথোং, কৈশামথোং কৈনো ইপু কৈশাম্পাৎতগী ৱাহেং লৈকায় য়ৌবা তেনখ্রবা লম্বী মতৎতুদা পুং ১ খরা হেন্না চঙইদনা। অদুবু হৌনরিব্রা খঙদে। হাকুমসু অদুম তৌই। কুমসিসু অদুম তৌই। মখোয় এম এল এসুনা লাকপসু নত্তে। খরখক য়াওবা ফঙ্কসনদুমা তৌনবা হোৎনবদা মণিপুরগী মরু ওইখ্রবা লম্বীশিংদু থোক থিংজিনদনা মতা অমা ওইনা তৌরিদুনি। অদুক কিরগা কৈদৌ ফঙ্কসনদু য়াওনিংঙিনো খঙদে। নৎত্রগা কাইদনো অমা তৌববু য়ারবনি। ইপুহোই ঙক্তা থৌরি থুখিবা মফমদুদা লাইশোন তিনশোন তৌরগা লৈবাক হুপ্না শরুক য়াবা খরা চাওবা লম্পাক অমদা তৌরম্লগদি য়াম্না শিংথানরমগদবনি। তৌরিদুনি ইপু, তৌনিংবতা তৌবা লমনেমী। সি থৌগল্লোন কায়বা হায়দু থোক্লবনি। লৈবাক মীয়ামদা লৈঙাকপশিং অসিনা কয়াদা থৌগল্লোন কায়খ্রবনো? হায়রুবদি য়াপোত্তে ইপু।

মনাওনুপীনা মপুরোইবদা তামো, মতৈদসু তামো, মকুবোক-মনেমবোক্তা ববা, ইমা কৌশিল্লে। মৌপ্বা নুপাদা ইপ্বা হায়দ্রে, ইনাওপা কৌরে। ঈগী মরী লোইনা মাঙখিবদৌনা তৌরে। ইমা-ইপা, ইচন, ইয়াম্বা, ইনাও, ইতৈমা, ইদোমচা, ইনে, ইখুরা, ইতোন, ইপুবোক-ইবেনপোক, ইবুধৌ ইবেনধৌ অমত্তা কৌনদ্রে। কাকা, অঙ্কল, অন্টি, সিষ্টর, ব্রদর লোইরে মীঙ্গৌ থাগৌগা পুমচাই চাইরে। ঈ মশেলগী ফজখ্রবা মরী অসি লৈহন্দ্রে। মীঙ্গৌনা শম্বল ওইরম্বা মীঙ্গৌনা থক-খা নাইরম্বা চৎন-লিক্লম পূম্ন মক হোংখ্রে। অদুনা ৱা য়াম্না কাইরকই হায়বসি কনামত্তনা খঙনদ্রে। মালেমগী মফম অমত্তদা লৈতবা চীংলৈবাক অসিগী ফজখ্রবা চৎন-লিক্লম-কাঙলমদি পুমহো হোরে। তৌফম থোকপা ইথৌদাং খুদিংমক শেন্দোং হান্না য়েংনরে। শেন্দোং লৈতবা থবক অমত্তা পুকচেল শেংনা তৌনদ্রে। মচাবু মী ওইনবা শেল্লকপা মচানুপা থানা ওইবনা মপাদগী শেল চারে হায়বা ফাগী অমা তৌনরিবসি চুমদ্রবসু চুম্বা মানবা থৌওং কয়া লৈরে। লৈবাক্কী চাওখৎ থৌরাংদা মথৌ পাঙলিবা ইঞ্জিনিয়র কাঙবুনা শেমগৎ শাগৎপগী মীংদা তৌরিবা থবক খুদিংমক ব্যুজিনেস ওন্থোক্লে। থোং অচৌবা অমা শানবা থবক পায়বদা শেল অসুক লাকপা, য়ূম অসুম ৱাংখৎপা হায়না হিসাপ পানরে হায়রি ইপু। লৌ-ইঙ্খোলগী খৎন-চৈনবা অনী অহুমগী কেস পায়রবদি চহীগী লৌ পরি পরি উবগা চপ মান্নরে হায়না খন্নরে উকিলশিংসু। থবক য়াম্না লৌরিখৈ অচৌ-অশাংশিং, অঙম অথৌশিংনা হরাউবগুম মখল কয়াগী লায়না-লায়ওং থোরক্লিখৈ, অনাবা মশীং য়াল্লিখৈ দোক্তরশিংসু হরাউনৈবু হায়রিদা ইপু। ঠিকাদারনা শৌ শাবা লম, মীয়ামগী মীহুৎনা লান চৎপগুম চৎপা লম, শেল খায়বনা ময়া কাবা লম, লাঞ্জদবশিংগী থবক্লা অরানবশিংগী নোংমৈ মরু ঙাইবা লম, শেল পায়বশিংনা নুংদাং তূম্বা য়াদবা লম ওন্থোকপা লম অমনিদা ইপু।

য়েলহৌমী কনগদবনি হায়বা ঈহৌদা মাঙজিন থাখিবা রতন কৌবা নশুনুপা অমা কনাগীনো ফিরাল পায়রগা ৱাশক্লম্মী হায়ব্রা কৈনো, ফিরাল চুম্মী চুমদে, অসেম্বনি শেমদবনি হায় তৌদনা ৱান্টেদ লাউথোক্লে। মতম কয়া মীয়াম মরক্তগী নাথৈরুরবা রতন নোংমা থোরক্তুনা চরা হেনবা য়াওররে। লৈঙাক্কী থানানা রতন ফারে। য়ানিংদে হায়দুনা নুমিৎ নীনি বন্দ তৌরে। মঙোন্দা শীরিবা মরুওইবশিংগী মনুংদা লৈবাক ঈরাং শাগৎনবা হোৎনৈ, চীংমী তম্মী নুংশিনদনবা শিল্লি হায়বসিমসু য়াওরি। চীংমী তম্মী কায়নবা য়ারোই লাউরম্বা অমা চীংমী তম্মী মরক্তা শিংচেপ থাজিল্লি হায়না লৈঙাক্লা হায়রি। অমরোমদা মণিপুরগী ঙমখৈগী ৱাফমদা ৱাজাও শুরিবা মদৈ হেন্দোক্তুনা মণিপুরগী লম অসিমক্তদা নাগালেন্দগী ফিরাল য়ুংখৎলকপা, নাগালেন্দগী ৱা হায়রিবা লূপ খরা লৈ মচিনগা য়াম থৌবা, মদুগী লুচিংবা খরা লৈঙাক্লা ৱান্টেদনি হায়না লাউথোকখি। মখোয় ইফোং ফোংনা মীয়াম মরক্তা চৎলি, ৱা ঙাঙই, হেন্না হেন্না শাথিবা থবক কয়া তৌদুনা লাকই। লৈঙাক্কী নাতোন শুমাংদা ইফোং ফোংনা কোইচৎ চৎলিবশিংদুদি উনা উনা ফাদে, ফাবা ঙমদে। কয়াদা মপাঙ্গল শোনখ্রবনো। অদুগদি রতন কৌবা নশু অমবুদি ফানি হায়না কোইথি থিরগা থোক হেক ফাই। লুখ্রেদা ইপু, কৈসু কি মথিসু কি। ৱা হায়রুবা য়াবা নত্তে। লৈবাক্কী ওইবা থবক থানাগা অমত্তা তৌরু য়াপোত্তে হায়বা পাউজেল অমা পীবা মানবা থৌওং কয়া তম্পাক লম অসিদা মচিন থৌনা তৌরি।

ইপুখোই নুংশিজরবা, নখোয়গী নরমদম অসি চন্দ্রকাঙনন তারে। য়ুফম খঙদনা য়ুরিবা মখুলশিং অসি কনানা লাক্তুনা মেল্লদৌনো খঙদে। মখুলশিং অসিদা য়ুরিসি য়ামখ্রে, খোগোপ্পনি। কনাগী শেলদগী করিদগী চিংলগা পুময়ু হেক য়ুরে হায়দুনি তৌরিসে। শিদবু কদাইদগী অফবা ওইদোইনো? গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ি খরদি থা ১০ হেন্না তোলোব ফংদবা য়াওরি। চহী রোমদা ফংনদবসু লৈরি। মখোয়না করি চারমদৌরিবা, নোংঙানবদগী ওজানি মহৈরোয় তাক্লুদৌরিবনি হায়না চৎলি। নুমিৎ তারকান্দা হল্লকই। অরাপ অরাপ্পা চীংগী লমদা চৎপসু য়াওরি। মখোয়গীনি হায়দুনা ক্বার্টর পীবসু নত্তে। লন্নাই ওইনা য়ূম ৱাইরগা লৈনবসু য়াওরি। তোলোবনা চহীরোমদা পীবিদ্রি। রমসাগী এস এস এগী ওজা ওইবশিং অসি মহা পাপকী মশকনিবু হায়নরে। চৎতা য়াদবনিনা চৎলে, ওজা ওইনবা চৎপদনা ভারা পীবদা মীঙোন্দগী পুশিনবা ময়ামশিংনা ওজাখৈ মকোক ঙাওনরে। শোমদনা সেন্টরদগী তোলোব পীনবা থারকপা শেনফমদি অতোপ্পদা শীজিন্নথোকখিদুনা লৈত্রে। ওজাখৈনা হা-কার লাউনরে। ৱাদি গভর্ণমেন্ট স্কুল য়াদ্রে ফৎত্রে হায়জ শারিয়ে। গভর্ণমেন্ট স্কুল ফগৎনববু করি তৌরিবগেনে। ইনফ্রাষ্ট্রকচর, টিচিং মেটরিএলস, ক্লাস রুম, ওজাশিংগী ফেসিলিটি, মহৈরোয়শিং লাক্লবা স্কুল ফগৎনবা করিবু হোৎনরগেনে? পাউখুমদি য়াম লৈগনি মদুনদি চৎনবা য়াপোত্তেদো ইপু থবক্তুনি লুরিবদি, ৱাদুদি পংহায়দা হায়বা য়াই। গ্রাউন্দ লেভেলদা য়েংলগা ৱা হায়গদবনি, ওফিসকী ফাইলগী চে য়েংলগা হায়বনদি চৎনবা য়াপোত্তে। চে হায়দুদি পংই ইবা য়াইদো, থবক হায়দুদি চেগা মান্ন য়াপোত্তেদো। ইপু খঙদে ৱাদি ৱারে, ৱাসু ৱাখিদৌরি নখোয়গী নরমসে অদুবু পোকশিল্লুরবনিনা হিংদা য়াদবগী দুক হিংলিবা হায়দুনি, য়ানা য়ানবা, ঙম্না ঙম্নবা হায়দুদা তারে। নুংঙাইজরে ইপুখোই, মথং ওল্লকপদা অমুক ইজরক্কে। কুমসিগীদি লোইশিঞ্জরগে। ৱারৌবিগনুকো ইপুখোই নুংশিজরবশিং। *- পাংজদ্রবা নশু অমা*

# ত্রাফিক জাম নৎত্রগা পোইন্টতা কারগী থোঙনাও থিংজিনগদবনি



ত্রাফিক জাম থোকপগী শক্তম অমা




নুংশিৎ মোৎপনা থোকহনবা খুদক-খুদক্কী ওইবা অমাংবশিং

অমোৎপা নুংশিংকা কুইনা শাগোন্নদুনা হিংলকপদগী ওইরকপা য়াবা অনাৱশিং

## সাইন্সকী খোঙচৎ
## কুঞ্জো নাওরেম

**ইন্দিয়াগী** লম্বী-সরক্তা চেল্লিবা গাড়ীগী মশীংসি কুমজা ১৯৫১ দা মিলিয়ন ০.৩ ওইরম্বদগী কুমজা ২০০১-০২ দা মিলিয়ন ৫৮.৩ ওইরকখি হায়না পানৈ। কুমজা ১৯৯৮ দা ৱর্ল্ড বেঙ্কনা দিল্লিদা তৌখিবা ষ্টদি অমদা গাড়ীশিংদগী থাদোরক্লিবা মপং ওইবা য়াম্না কুপ্পা পার্টিকলশিংগী ৬২.৫% দি দিজলগী গাড়ীশিংদগী থাদোরকপনি হায়না খঙবা ঙমখি। দিল্লিদা সি এন জি (কম্প্রেস নেচরেল গ্যাস) পু গাড়ীশিংদা শীজিন্নবা হৌহনখ্রবা মতুং কুমজা ২০০৪ দা ৱর্ল্ড বেঙ্কনা দিল্লিদা তৌখিবা ষ্টদিদসু দিজল গাড়ীশিংদগী থাদোরকপা মৈখুদা য়াওবা অপীকপা পার্টিকলশিংগী চাংসি ২৩% গী চাং ফাওবা য়াওবা থেংনরম্মী। সেন্টর ফোর সাইন্স এন্দ ইনভাইরনমেন্ট (সি এস ঈ) না তৌখিবা ষ্টদি অমদনা দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপদগী পুং খুদিংগী মী অমমমগী চাংদা শিবা থেংনখি। কোলকটাদা বেজ তৌবা চিত্তরঞ্জন নেসনল কেন্সর ইনষ্টিট্যুটকী ষ্টদি অমদনা দিল্লিদা লৈবা মী চাম্মগী মনুংদা ৬৪ দি থবোম্বীগী মথৌদা অপনবা পীরকপগী অৱাবা মায়োক্লবা থেংনরম্মী। মুম্বাইগী ওইনা অপূনবা পোল্লুসনগী চাদা ৫২ দি গাড়ীদগী থাদোরকপা মৈখুনা থোকহনবনি হায়না লৌনৈ। মুম্বাইদা নাইট্রোজেন দাইওক্সাইদকী চাদা ৫২ অদুগা য়াম্না পীকপা পার্টিকলশিংগী চাদা ৫৪ দি গাড়ীশিংদগী থাদোরকপনি। কোলকটাগী ওইনদি অপূনবা পোল্লুসনগী চাদা ৩০ দি গাড়ীশিংদগী থাদোরকপা মৈখুনা থোকহনবনি হায়না লৌনৈ।

ঐখোয়গী ইম্ফাল সহরদা, বন্দ নৎত্রগা ছুটি নত্তবা নুমিৎ অমদা ত্রাফিক জাম অমদি ত্রাফিক পোইন্টশিংদা গাড়ী পরেং-পরেং লেংবগী খুদোংচাদবসি নুংতিগী থোক্লমগনি খল্লি। মসিনা মতম থিন্থহনবদা নত্তনা গাড়ীশিংদু থৌরিবা অমদি তোংলিবা মীশিংদা মৈখুগী খুদোংথিবা হেন্না মায়োক্লহল্লি হায়রি। ৱাফমসি য়ুনাইটেদ কিংদম (য়ু কে) গী য়ুনিভর্সিটি ওফ সুরেগী দাক্তর প্রশান্ত কুমারনা লুচিংদুনা মতম চঙনা থিজিনখিবা অমদগী খঙলকপনি। গাড়ীশিংনা লম্বীশিংদা অপনবা লৈতনা থৌবা মতমদদি থাদোরক্লিবা মৈখুদগী থোরকপা অকুপ্পা পার্টিকলশিংনা গাড়ী মনুংদা চঙলকপগী চাং হন্থে। অদুনা খুদোংথিবগী চাংসু হন্থে। অদুবু ত্রাফিক জাম নৎত্রগা রেদ সিগ্নেলনা গাড়ীশিংবু লেপহনবা মতমদদি অকুপ্পা পার্টিকলশিংসি চঙলকপগী চাং হেল্লি হায়রি। অদুনা সুরেগী থিজিল্লোয়শিংনা অসিগুম্বা মতমদা কারগুম্বা গাড়ীগী থোং-থোংনাওশিং থিংজিন্দুনা থম্নবা চেকশিন ৱা পীরক্লি। লোয়ননা কারদা হাপ্পা ফেনশিংসু মুথৎকদবনি হায়রি। মরমদি মসিনা কারগী মপান্দগী ফত্তবা নুংশিৎ চিংশিল্লকই। অদুবু কার মনুংদা অদুম রি-সরকুলেট তৌজবা, মপান্দগী নুংশিৎ চিংশিন্দবা ফেন ওইরবদি থারবসু কাইদে। মসিগীসু মথক্তা চঙলক্লিবা অকুপ্পা পার্টিকলশিংগী চাং হন্থহন্নবগীদমক মাঙদা থল্লিবা গাড়ীগা য়াম্না নকশিন্নদনবসু হোৎনগদবনি। মখোয়শিংসি ইনবিরবদি নুংশিৎ মোৎপদগী থোরকপা লায়না খরদগী ঙাকথোকপদা খরগী মখৈদি মতেং পাঙগনি হায়রি।

য়ু কেগী তোঙান তোঙানবা ত্রাফিক পোইন্টশিং ফাউদুনা চৎলিবা গাড়ী দ্রাইভরশিংদা নুংশিৎকী অমোৎপশিংসি কয়া য়াম্না চঙলকপগে হায়বগী মতাংদা কুপ্না থিজিনখিবা অসিদগী খঙলকখিবদি সিগ্নেল লাইট শীজিন্নবা ত্রাফিক পোইন্টশিংসিদা ফত্তবা নুংশিৎ থাদোরকপা অমসুং চঙলকপগী চাং খ্বাইদগী ৱাংই। মসিগী মরমদি অসিগুম্বা মফমশিংসিদা দ্রাইভরশিংনা থৌরিবা গাড়ীদু য়াম্না থুনা তপথহল্লকপা অদুগা লেপহনবা মথৌ তাই। অদুগা গ্রিন সিগ্নেল হেক ঙাল্লকপগা অমুক থুনা থৌবগী তঙাইফদবা লৈ। ফীভমসি ত্রাফিক জাম থোকপা মফমদসু থেংনরিবনি হায়বদি অমুক লেপ্পা, অমুক থুনা থৌবা অদুগা অমুক থুনা তপথবা, অমুক থৌবা... মসি তৌদবা য়াদ্রবনি। অসিগুম্বা মতমদা অপীকপা পার্টিকলশিং থাদোরকপগী চাং গাড়ীদুনা ফ্রি ওইনা থৌরিবঁদা থাদোরকপা চাংদগী শরুক ২৯ লোম হেনবা থিজিল্লোয়শিংনা থেংনরম্মী। ত্রাফিক পোইন্ট নৎত্রগা জাম থোকফমদা গাড়ী ময়াম অমা মায়কৈ অহুম নৎত্রগা মরিদা খামদুনা ফীভমসি থেংনরিবনি অদুনা গাড়ীশিংদুদগী থাদোরক্লিবা মৈখুদা য়াওরিবা অকুপ্পা পার্টিকলশিংগী চাং য়াম্না য়াওফম থোকই। অসিগুম্বা মতমদা থাদোরক্লিবা মৈখুদু অহাংবা মফমদা হায়বদি লম্বীগী নাক- য়েত্তা চাইথোকখিবগী চাংসু হন্থে। লোয়ননা এটমোস্ফিয়রগী মথক্লোমদা পাইথোকখিবগী চাংসু ৱাংলি। অদুনা গাড়ী থৌরিবা অমদি তোংলিবা মীশিংদা ফত্তবা পার্টিকলশিং চঙলকপগী চাং মতমসিদনা হেন্না ৱাংলিবনি। অসুম্না দ্রাইভর অমনা নোংমদা চৎপা খোঙচৎকী চাদা ২ খত্তং অসিগুম্বা ত্রাফিক পোইন্টশিংদা লেপ্তুনা লৈবদা ফত্তবা পার্টিকলশিং চঙলকপগী চাং, নুমিৎতুদা চঙলকপা অপূনবা পার্টিকল চাম্মগী মনুংদা ২৫ ওই।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গেনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী মতুং ইন্না মীওইববু খ্বাইদগী নাহনবা অনাবা তরাগী মনুংদা নুংশিৎ মোৎপদগী পোকহনবা লায়নাশিংসু য়াওই। অসিগুম্বা অনাবসিনা মালেমগী ওইনা চহী খুদিংগী মীওই মিলিয়ন ৭ তি লমখাংদা পুন্সি পীখম্নহল্লি। ওর্গেনাইজেসনসিগী মতুংইন্না কুমজা ২০১২ দা লন্দন্দা এক্সিদেন্ট থোকপদগী শিবা মীশিংদগীদি নুংশিৎ মোৎপদগী শিখিবা মীশিংনা শরুক তরারোম হেল্লি হায়। দাক্তর প্রশান্ত কুমারনা লুচিংদুনা থিজিনখিবা অসিদা, কারগী থোঙনাওশিং থিংজিল্লগা ফেনবুনা উংহনবা মতমদসু ত্রাফিক পোইন্টশিংদনা হেন্না অকুপ্পা পার্টিকলশিং চঙলকপগী চাং হেল্লম্মী। মরমদি কারগী মপান্দগী চিংশিল্লকপা নুংশিৎতুনা কার মনুংদা লৈরম্বা নুংশিৎতগী হেন্না মোৎপা হেল্লকই। মসিগী মরমদি ফেন্দুনা অমোৎপা নুংশিৎতু মপান্দগী চিংশিল্লকই হায়বনি। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, কারদুগী মনুংদা ফেন্দুনা নুংশিৎতু রি-সর্কুলেট তৌজবা ওইরগদি শীজিন্নবদা অকায়বা লৈতে।

প্রশান্ত কুমার অমদি মাগী খোঙলোইশিংনা থিজিনখিবা অসিদা খঙলকখিবা ৱাফম অমনা, ত্রাফিক জাম নৎত্রগা ত্রাফিক পোইন্ট অমদা থোঙনাও থিংজিন্দুনা অমদি ফেন মুথৎতুনা থল্লবদি কার অমগী মনুংদা থোরকপা পোল্লুসনগী চাং চাদা ৭৬ হন্থহনবা ঙম্মী। মতাংসিদা প্রশান্ত কুমারনা অসুম্না ফোঙদোক্লি - অঙৈং-অশাগী ফীভম্না য়াম্না অকায়বা পীদ্রগদি, ত্রাফিক পোইন্ট অমদি জাম থোকপা মফমশিংদা হকচাং য়াম্না শোকহনবা পার্টিকলশিং চঙলকপগী চাং হন্থহন্নবগী খ্বাইদগী ফবা পান্থৈদি, 'থোঙনাও থিংজিনবা অমদি ফেন মুথৎতুনা থম্বনি অদুগা য়ারিবা মখৈ মাঙদা লৈরিবা গাড়ীদগী লাপ্পা খাম্নবা হোৎনবনি'। অদুনা গাড়ীশিংগী জাম নুংতিগী থোক্লিবা ইম্ফাল সহরদা চখোক-চৎশিন তৌরিবা মীশিংনা য়ুনিভর্সিটি ওফ সুরেনা থিজিনবদগী ফংলক্লিবা অসিগা মরী লৈননা খরা চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মদুনা তুং-কোইনা পুন্সি নুংশাংনা হিংবদা খরগী মখৈদি মতেং পাঙগনি খল্লি। সুরেগী থিজিন-চেরোলসি রোয়ল সোসাইটি ওফ কেমিষ্ট্রিগী চেফোঙ 'ইনভাইরনমেন্টেল সাইন্স: প্রোসেসেস এন্দ ইম্পেক্টস' তা ফোঙদোকখিবনি।